## পোলেন্দগী পি আই এসনা শেম শারে

ৱারসো, মে ২৪ (এজেন্সি):

যুরোপিয়ন পার্লিয়ামেন্টরি এলাইয়েন্স অমা শেম্নবগী মতাংদা পোলেন্দগী রুল্লিং নেস্নেলিষ্টশিং ওইরিবা লো এন্দ জষ্টিস (পি আই এস)না ইতালিগী ফার-রাইট লিগ পার্টি অমদি স্পেনগী ভোক্সকা ৱারী শান্নবা শেম শারে হায়না প্রাইম মিনিষ্টর মাট্যুস মোরাৱিকিনা ফোঙদোকখ্রে।

লিগকী অদুবু লুচিংলিবা ইতালিগী দেপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর মাট্যও সালভিনিনা ৱাখল্লোন মান্নবা পার্টিশিংগী ওইবা ব্লোক অমা শেম্নবা হোৎনরকখিবনি।

## ইন্দিয়ন চীংকারোয় অহুম শিরে

কথমন্দু, মে ২৪ (এজেন্সি):

চহী অসিগী চীং কাবগী সিজন্দা মালেমগী খ্বাইদগী ৱাংবা চীংজাও মাউন্ট এভরেষ্ট কাবদা শিখিবা মীগী মশিং হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা ইন্দিয়ন চীংকারোয় অহুম অমসুং নেপালি গাইদ অমা শিখিবগা লোয়ননা তরেৎ য়ৌরে হায়না নেপালি ওফিসলশিংনা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে। শগোলশেল নুমিত্তা চীংকারোয় ১২০ হেনবনা এভরেষ্ট চীংদোল য়ৌবা ঙমখি।

## বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টর মে জুন ৭তা মফম থাদোক্লগনি, মীখল ঙন্না পাঙথোক্লবা য়াই

লন্দন, মে ২৪ (এজেন্সি):



বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টর টেরেসা মেনা মফম থাদোক্লগনি হায়না ইরাই নুমিত্তা লাউথোকখ্রে। খোঙথাং অসিগা লোয়ননা বৃটেনবু যুরোপিয়ন যুনিয়নদগী ময়েক শেংনা তোকহনবা ঙমগদবা অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর অমা খন্নবগী অকনবা কন্টেষ্ট অমা লাক্লগনি হায়রি।

অনৌবা লুচিংবা অদুনা বৃটেনবু যুরোপিয়ন যুনিয়নদগী য়াম্না নাখৈ শেংনা তোকপগী ফিভম পামগদবনা মরম ওইদুনা টেরেসা মেনা মফম থাদোক্কদৌরিবা অসিনা ব্রেক্সিটকী ৱাথোক হেন্না লুশিনহল্লগনি হায়না থাজনরি।

অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টরগী মখাদা বৃটেন্না ঈ যুগা মুক্নরকপা য়াবগী ফিভম ৱাংনা লৈবনা লৈবাক অসিদা পার্লিয়ামেন্টরি মীখল ঙন্না পাঙথোক্লবা য়াই হায়রি। পার্লিয়ামেন্টনা রেটিফাই তৌগদবা পার্টি খুদিংমক্না য়ানগদবা ব্রেক্সিট দিল অমা পুথোক্লবা হোৎনবদা মায় পাকখিদ্রবা অমসুং ইকাইবা অমদি ৱাথোক কয়া খাঙখিবা থম্মোয় শোকপগী মতৌ উৎখিবা মেনা মমিত্তা মপি ইরা চেল্লদুনা মহাক লাক্লিবা জুন ৭ তা কঞ্জাভেটিভ পার্টিগী লুচিংবগী ফম থাদোক্লগনি হায়খি।

মেগী খোঙথাং অসিগা লোয়ননা জুন ৭ কী মতুংগী চয়োল হৌরকপদা পার্টিগী লুচিংবা তান্নবগী অকনবা কন্টেষ্ট অমা লাক্লগনি হায়না পান্নরি।

ঐহাকপু পুন্সিগী ওইনা ইকাই খুম্নবা পীবিরিবা ফম অসি ঐহাক্না অথুবা মতমগী মনুংদা থাদোক্লগনি। অরোইবদি নত্তবা লৈবাক অসিগী অনীশুবা নুপী প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা ঐহাক্না ফম অসি থুনা থাদোক্লগনি হায়না মহাক্কী দাউনিং ষ্ট্রিটতা লৈবা ওফিসল রেজিদেন্সকী মপান্দা ৱা ঙাঙলদুনা মেনা হায়খি।

মতম অমদা বৃটেন্না ঈ যুগী মেম্বর ওইবগী ৱাফম মশানা ইয়া য়ানিংদনা শৌগৎখিবা অমসুং কুমজা ২০১৬ গী ব্রেক্সিট রেফরেন্দম মতুংদা লাকখিবা বৃটিশ পোলিটিক্সকী চরাংনবা ফিভম মরক্তা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টরগী ফম ফংখিবা মেনা যুনাইটেদ কিংদম্বু যুরোপিয়ন যুনিয়ন্দগী তোকহনগনি হায়বা মহাক্কী ৱাশক অসি থুংহনবা ঙমদনা মফম থাদোক্কদৌরিবনি।

ব্রেক্সিট মায় পাকপা ঙমখিদবা অসিনা মতম চুপ্পদা ঐহাকপু নীংঙমদনা লৈহল্লগনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা মেনা মহাক্কী মতুংদা লাক্কদৌরিবা অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর অদুনা কুমজা ২০১৬ কী রেফরেন্দম রিজল্টপু ইকাই খুম্নগদবা পুম্নমক্না য়ানগদবা থৌরাং অমা পুথোকপা ঙম্বা ওইরসনু হায়খি। চৈরকসিদা মরু ওইবা লেবর পার্টিগী লুচিংবা জেরেমি কোর্বিননা বৃটিশ মীয়াম্বু লৈবাক অসিগী তুংগী লাইবক লেপচনবা পার্লিয়ামেন্টরি ইলেক্সন ঙন্না পাঙথোক্কদবনি হায়খ্রে।

## ট্রম্পনা এ জিগী রিভ্যুদা কোওপরেসন পীনবা ইন্টেলিজেন্স কাঙবুদা হায়খ্রে

ৱাশিংটন, মে ২৪ (এজেন্সি):



দোনাল্ড ট্রম্পগী ইলেক্সন কেম্প্যেন অমসুং রসিয়াগী মরক্তা লৈনরিবা মরীশিংগী মতাংদা থিজিনহনবগী ফিভম লাকহনখিবা থৌদোকশিংবু এর্টোনি জেনরেল ৱিলিয়ব বারনা রিভ্যু তৌবদা কোওপরেসন পীননবা যু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা শগোলশেল নুমিত্তা ইন্টেলিজেন্স কম্যুনিদা ওর্দর তৌখ্রে।

কুমজা ২০১৬ গী যু এস ইলেক্সনদা রসিয়ানা খুৎ থিংজিনখিব্রা অমসুং ট্রম্পকী কেম্প্যেন অমসুং রসিয়াগী মরক্তা মরী লৈনখিব্রা হায়বগী মতাংদা চহী অনীগী ইনভেষ্টিগেসন অমা মকোক চিংখিবা স্পেসল কাউন্সেল রোবার্ট ম্যুল্লরকী থবক্কী মতাংদা হ্বাইট হাউসকা কোংগ্রেস্নেল দেমোক্রেটশিংগা কন্না অৱাই-অখুম তৌনদুনা ঙাঙন-শক্লিরিঙৈদা প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা ইন্টেলিজেন্স কম্যুনিটিদা দিরেক্টিভ অসি পীখিবনি।

যু এসকী এর্টোনি জেনরেলগী রিকমেন্দসন অমসুং মহাক্না হায়জরকখিবগী মতুং ইন্না প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা ইন্টেলিজেন্স কম্যুনিটিদা কুমজা ২০১৬ গী প্রসিদেন্ট মীখল মনুংদা চথখিবা সর্ভিলেন্স এক্টিভিটিশিংগী মতাংদা এর্টোনি জেনরেলনা থিজিল্লিবা অসিদা য়াম্না থুনা অমসুং মপুং ফানা কোওপরেসন পীননবা দিরেক্সন পীখ্রে হায়না হ্বাইট হাউসকী স্পোক্সপর্সন সরাহ সেন্দরসনা ট্রম্পকী দিরেক্টিভ অদুগী মতাংদা ফোঙদোকখি।

ওর্দর অদুনা এর্টোনি জেনরেল বারবু মহাক্কী রিভ্যু মনুংদা ফিট ওই হায়না লৌবা ইনফোর্মেসন খুদিংমকপুসু দিক্লাসিফাইদ তৌবগী অয়াবা পীখি। মতাং খরদা মমহনখিবা ম্যুল্লরগী রিপোর্টকী ভর্জন অদু হৌখিবা এপ্রিলদা মীয়ামদা ফোঙদোকখিবনি। থিজিনবা অদুদা ট্রম্পকী কেম্প্যেন্না রসিয়াগা ক্রিমিনেল ওইবা মওংদা লৌতুনখি হায়বগী ইভিদেন্স অমত্তা ফংখিদবগা লোয়ননা ট্রম্পনা জটিসকী থবক্তা অপনবা পীখিব্রা হায়বগী মতাংদসু ৱারোইশিন অমা পীখিদে।

## সম্মিট ফেল ওইখিবা যু এসননি : নোর্থ কোরিয়া



সিওল, মে ২৪ (এজেন্সি):

যু এসকী তৌনিংবদা তৌবা অমসুং পুকচেল শেংদবা ফিরেপনা মরম ওইদুনা অনীশুবা নোর্থ কোরিয়া-যু এস সম্মিটতা দিল অমা পুরকপা ঙমখিদবনি হায়না নোর্থ কোরিয়ানা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে অমসুং অনৌবা খোঙথাং অমা য়াওদনা ন্যুক্লিয়র ইশ্যু অসি কৈদৌঙৈদসু লৈখায় তাবা ঙম্লোই হায়না চেকশিনৱা হায়খ্রে।

নোর্থ কোরিয়াগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন অমনা যুনাইটেদ ষ্টেটসপু মরী শুংলৈ লৈনদবা ৱাফম অমা পুখত্তুনা হৌখিবা ফেব্রুৱারিদা নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং-উন অমসুং যু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী মরক্তা পাঙথোকখিবা সম্মিট মপুং ফাদনা কায়খিবগী মরাল থংজিন্নবা হোৎনখি হায়না মরাল শীখি। স্পোক্সমেন অসিনা অকুপ্পা ৱারোলদি পীখিদে। হানোইদা পাঙথোকখিবা দি পি আর কে-যু এস সম্মিট অদু মায় পাকখিদবগী মরু ওইবা মরমদি যুনাইটেদ ষ্টেটসনা মশাগী অনিংবা অমসুং অপান্বদমক উৎপা অমসুং পুকচেল শেংদবা ফিরেপ অমা লৌদুনা ওইথোক্লরোইদবা থৌরাং অমা ইন্নবা তকশিল্লকখিবদগীনি হায়না মশক মমিং ফোঙদোকখিদবা স্পোক্সমেন অদুগী ষ্টেটমেন্ট অমা পল্লদুনা ওফিসল কে সী এন এ ন্যুজ এজেন্সিনা ফোঙদোকখি।

যুনাইটেদ ষ্টেটসনা হৌজিক চথরিবা থৌওং অসিনা ঐখোয়বু খজিক্তা ওইরবসু য়াহনবা ঙম্লোই অমদি যু এসনা দি পি আর কেবু থাজদবা অমদি তাথিবা হেনগৎলক্লিমখৈ ঐখোয়গী রিয়েক্সনসু হেন্না কল্লকপা উগনি হায়নসু স্পোক্সমেন অদুনা ফোঙদোকখি।

ষ্টেটমেন্ট অসি ভিয়েটনামগী সম্মিট মায় পাকখিদ্রবা মতুংদা নোর্থ কোরিয়ানা যুনাইটেদ ষ্টেটসপু য়ানিংদবা ফোঙদোকপগী খ্বাইদগী নৌবা ৱারোলনি। ভিয়েটনামগী কেপিটেল হানোইদা পাঙথোকখিবা সম্মিট অদুদা কিম্না নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রামগী শরুক খরা থাদোকপগী ফিভমদা যু এসকী মায়কৈদগী প্যোংয়াংদা থল্লিবা অথিংবশিং কোমথোক্লবা তকশিনখিবনি।

অমরোমদা, সম্মিট অদুদা ট্রম্পনা যুনাইটেদ ষ্টেটসতা নোর্থ কোরিয়াগী বোমশিং পীথোরকপগী ৱাফম য়াওনা দিন্যুক্লায়রাইজেসনগী মপুং ফাবা রোদমেপ অমা পুথোরক্লবা তকশিনখি। হন্দক্তসু লৈবাক অনীগী মরক্তা অমুক হন্না উংখৎনবগী ফিভম লাকখি। নোর্থ কোরিয়ানা থা অসিগী অঙনবদা সোর্ট-রেঞ্জ মিসাইলশিং কাপ্পুনা চাংয়েং তৌখি অমসুং অথিংবশিং খোঙ্গাওনদুনা ইলিগেল ওইবা মওংদা কোইলা পুরম্বনি হায়না চিংনব নোর্থ কোরিয়াগী জহাজ অমা যু এসনা নমফুদা ফাজিনখি।

## ‘মোদিনা লুচিংবা ইন্দিয়াগা মরী চেৎশিন্নবা শেম শারে’

বৈজিং, মে ২৪ (এজেন্সি):



ইন্দিয়াগী লোক সভা মীখলদা য়াম্না চাওনা মায় পাক্তুনা লৈঙাক্কী টর্ম অমগসু পায়গদৌরিব প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা ইন্দিয়াগা মরী হেন্না চেৎশিনহন্নবা শেম শারে হায়না চাইনানা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

মোদিনা মীখলদা চাওনা মায় পাকখিবদা চাইনিজ প্রসিদেন্ট সী জিন পিংনা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মহাক্না সাইনো-ইন্দিয়ন মরী অনৌবা অৱাংবা থাক অমদা পুখৎপা পাম্মী হায়খ্রবা মতুং নোংমা কান্নরগা চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবদা, চাইনানা ইন্দিয়াবু য়াম্না মরু ওইবা লৈবাক অমা ওইনা লৌই।

ইন্দিয়াগী ১৭ শুবা লোক সভা মীখল মওং মরিল তানা লোইশিনখি অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা লুচিংবা এন দি এনা মেজোরিটি ফংখ্রে। মহাক্কী মায় পাকপা অসিদা চাইনানা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোক্লি। প্রসিদেন্ট সী জিন পিংনা প্রাইম মিষ্টের মোদিবু হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকপগী পাউজেল অমা থাখ্রে হায়না ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপর্সন লু কাংনা বৈজিংদা ৱা ঙাঙলদুনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, চাইনা অমসুং ইন্দিয়া অসি অমগ-অমগা যুম্লোনবা মরু ওইবা লৈবাকশিংনি। ঐখোয় মরু ওইবা চাওখৎলক্লিবা লৈবাকশিংনি লোয়ননা লেপ্পা লৈত্তনা চাওখৎলক্লিবা মার্কেটশিংনি। ইন্দিয়াগী ১৭ শুবা লোক সভাগী মীখলদা মোদিগী বি জে পি অমসুং মসিগী মীচংশিংনা এন দি এগী বেনর মখাদা লোক সভাগী অপুনবা সিট ৫৪৩ গী মনুংদা সীট ৩৫০ হেন্না ফংদুনা লৈবাক অসিগী লৈঙাক্কী পৱার অমুক হন্না পায়বগী ফিভম লাকখিবনি।

মোদিদা মীখলদা চাওনা মায় পাক্লকখিবদা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোক্লদুনা লু কাংনা হায়, হৌখিবা চহীদা প্রসিদেন্ট সী অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগী মরক্তা পাঙথোকখিবা ৱুহান সম্মিটনা ঐখোয়গী লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈনরক্কদবা তুংগী মরীগী মায়কৈ পীখিবগা লোয়ননা মরী অসিদা পুক্লিং থৌগৎনিঙাই ওইবা অনৌবা খোঙথাং কয়া লাকহন্নবগী লম্বী ফাৎখি।

মোদি অমসুং সীনা হৌখিবা কুমজা ২০১৮ গী এপ্রিলদা চাইনাগী সেন্ট্রেল সিটি ৱুহানদা পুৱারীদা লৈহৌরগদবা মীফম অমা পাঙথোকখিবনি। মীফম অদু লৈবাক অনীগী লান্মীশিংনা মখোয়গী বোর্দর মনাক্তা কন্না মুক্নবগী ফিভম অমা লৈখ্রবা মতুং চহী অমা লৈরগা পাঙথোকখিবনি।

## জুলিয়ন অসাঞ্জকী মায়োক্তা যু এসনা অনৌবা চার্জশিং ফাইল তৌখ্রে

ৱাশিংটন, মে ২৪ (এজেন্সি):

যু কেদগী এক্সট্রাদিক্সন তৌবগী ফিভম মায়োক্লদুনা লৈরিবা ৱিকিলিক্সকী কো-ফাউন্দর জুলিয়ন অসাঞ্জকী মায়োক্তা যু এস জষ্টিস দিপার্টমেন্টনা অনৌবা চার্জ ১৭ ফাইল তৌখ্রে।

বি বি সীগী রিপোর্ট মতুং ইন্না খ্বাইদগী নৌবা চার্জশিং অদুনা অসাঞ্জবু লোনা য়াদবা মওংদা ক্লাসিফাইদ সোর্সশিংগী মমিংশিং লৌবগা লোয়ননা ফোঙই হায়না মরাল শীখ্রে। মহাক মমাংদা হৌখিবা থাদা ইলিগেল ওইবা মওংদা পেন্টাগোন নেটৱার্ক শীজিন্নবা হান্নগী যু এস ইন্টেলিজেন্স এনালিষ্ট জেচসি মেন্নিংগা লৌতুনখি হায়নসু মরাল শীখিবনি।

মহাক বেলগী কন্দিসনশিং খোঙ্গাওনবগী মরালদা হৌজিক যু কেগী জেল অমদা লৈরিবনি। মশাগী চহী ৪৭ শুরবা অসাঞ্জ লন্দনদা লৈবা এক্কাদোরগী এম্বেসিদগী ফাখিবা মতুং হৌখিবা থাদা কোর্টনা বেলগী কন্দিসনশিং থুগায়বগী মরাল লৈরে হায়না লাউথোকখি। স্বিদেনদা চথখিবনি হায়বা সেক্স্যুএল এসোল্টকী মরালশিংগা মরী লৈননা স্বেদিস ওথোরিটিশিংদগী নাম্থোক্নবা হোৎনরদুনা মহাক কুমজা ২০১২ দগী এম্বেসি অদুদা চঙজফম লৌদুনা লৈরকখিবনি। অমরোমদা, মহাক্না অরানবা অমত্তা তৌখিবা লৈতে হায়রি।

যু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা নৌনা ফাইল তৌরিবা চার্জশিং অদুনা হায়রিবদি অসাঞ্জনা যু এসকী অরোনবা ফাইলশিং ফংনবা অমসুং ফোঙদোক্নবা হোৎনবদা হান্নগী ইন্টেলিজেন্স এনালিষ্ট মেন্নিংগা লৌতুনখি। মহাক্না মিদল ইষ্ট অমসুং চাইনাদা লৈরিবা যু এসকী কনফিদেন্সিএল সোর্সশিংবুসু খুদোংথিবা মায়োক্লহন্নবা হোৎনখি। যু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী খোঙথাং অসিগী পাউখুম ওইনা ৱিকিলিক্সকী মায়কৈদগী ত্বিটরগী খুৎথাংদা খোঙথাং অসি অঙাওবগী মতৌনি হায়খ্রে।

## মোস্ক মনুংগী ব্লাষ্টতা ২ শিরে

ক্বেটা, মে ২৪ (এজেন্সি):

ইরাই নুমিৎকী লাইশোল পাঙথোক্লিঙৈ মনুংদা পাকিস্তানগী ক্বেটা সিটিদা লৈবা মোস্ক অমগী মনুংদা থোকখিবা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অমদা মীওই অনী শিখ্রে অমসুং অতৈ ১৫ না অশোক-অপন নংখ্রে।

দোন ন্যুজকী পাউ মতুং ইন্না বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদু সিটি অদুগী পষ্টুনাবাদ এরিয়াদা লৈবা রেহমানিয়া মোস্ক মনুংদা থোকখিবনি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি গ্রুপ অমত্তনা ক্লেম তৌরকপা লৈত্রি হায়রি।

বলোচিষ্টানগী চীফ মিনিষ্টর জাম কমল খান অলয়ানিনা ব্লাষ্ট অদুবু কন্দেম তৌখিবগা লোয়ননা থৌদোক অদুগী মতাংদা রিপোর্ট অমা পীখৎলক্লবা মরী লৈনবশিংদা ওর্দর তৌখ্রে। থৌদোক অসি মুস্লিমশিংগী শেংলবা চাকহেন থা রামজান হৌখিবদগী বলোচিষ্টানদা থোক্লকখিবা মিলিটেন্ট এটেক্টশিংগী মনুংদা মঙাশুবনি।

হৌখিবা মে ১১ দা গ্বাদরদা লৈবা পর্ল কন্টিনেন্টেল হোটেলদা টার্গেট তৌদুনা চথখিবা টেরর এটেক্ট অমদা মীওই ৫ শিখি। মদুগী মতুং চয়োল অমা ফাদবা মতমগী মনুংদা মক্রম হোষ্টেল হায়ৱেদা খুৎলায় পায়বশিংনা পেসেঞ্জর বস অমগী মীওই ১৪ কাপ্পুনা হাৎখি।

## ইন্দিয়ন এক্সপেট্রিএট ৪গী হকচাংশিং ফংখ্রে

মুস্কাট, মে ২৪ (এজেন্সি):

ওমানদা ইন্দিয়ন ইমুং অমগী থিবা খঙলকখিদ্রবা এক্সপিট্রেএট ৪ গী অশিবা হকচাংশিং ঈচাওগী ঈশিংনা থুমজিল্লবা মফম অমদা লৈরম্বা থেংনরে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়ন হেল্থ ক্যের ৱার্কর অমগী ইমুংগী মীওইশিং অদু হৌখিবা মে ১৮দা মুস্কাটতগী কিলোমিটর ২০০ রোম লাপ্পা লৈবা ৱাদি বানি খালিদ কৌবা মফম অমদা পীক্লিক চৎখিবনি। নোং কন্না চুবনা মরম ওইদুনা মখোয়গী গাড়ি অদু মফমদুদা খঙহৌদনা ঈশিং থুমজিনখিবনি হায়না রোয়েল ওমান পুলিসনা শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখিবা ৱাফম পল্লদুনা গল্ফ ন্যুজনা হায়রি।

হেল্থ ক্যের ৱার্কর অদুদি ঈশিং থুমজিল্লবা গাড়ি অদুদগী নাম্থোকহৌখি। মহাক কোনা পাম্বী অমগী মনাদা কন্না য়ান্নরগা হিংহৌবনি হায়রি। নুপা অদুগী মমা-মপা, লোইনবী অমসু অঙাং অহুম য়াওনা ইমুংগী অতৈ মীওইশিংদি থৌদোক অদুনা মরম ওইদুনা মাঙখিবদগী ওমানি ওথোরিটিশিংনা অচৌবা থিবা হুন্নগী ওপরেসন অমা চথরকখিবনি।

ꯊꯥꯒꯠꯄ/অমাংথোংদা চিক-চিক লাওরগা লৈবা, খাংফম খঙদবা, খোঙ হান্বদা অমাংথোংদা খুজিল্লগা অমাংবদু লোয়না থোকউ য়াদবা, শংলগতা লৈনিংবা, অমাংথোং অকোয়বদা চেকখায়রগা থুপ্পা তৌরম্বা অদু ফহনবগীদমক ওজা সাহিদুর রহমনবু হন্না হন্না থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা মতম শাংনা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোংদা চিক-চিক লাওরগা লৈবা, খাংফম খঙদবা, খোঙ হান্বদা অমাংথোংদা খুজিল্লগা অমাংবদু লোয়না থোক্লকউ য়াদবা, খজিক খজিক থোক্লকপা, শংলগদা লৈনিংবা, অমাংথোংদু চেকখায়রগা থুপ্পা-শাবা, অমুক্তদা শেংনা হান্বা য়াদবা, ঙাইহাক ঙাইহাক লৈরগা মচিৎ-মচিৎ হান্বদা মনাংগা লোয়নরকপা, কোঙ্গোলগুম্বা য়াওরকপা, অমাংথোংগী অকোয়বদা পোমথোক্লকপা মফম অদু শা-ঙা, থাউ-মোরোক চারগনা হেন্না চাউথোরকপা, অদুগা মশানা অমুক পীশিনখিবা, চাউথোরকপা মতমদা অমাংথোংদা য়াম্না চিকপা নাবা, ফম্বা ঙমদবা, খোঙ হান্বা চাং নাইদবা, মচিৎ মচিৎ হান্বা, পুক নুংশিৎ কারগা পুকচেপ নাবা, নুংশিৎ খায়দোকপা য়াদবা, তাঙ-তাঙ চিকপা, শয়েং অনীমক চিকপা নাবা, খুউ নাবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, থনগৎলতা লৈবা তৌরম্বা অদু ওজা Makakmayum Sahidur Rahman, Mobile No. 8310735055 / 9612725989 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিংদু ঈশ্বরগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরমসিনা ওজা Sahidur Rahman বু পাউচেগী খুত্থাংদা হন্না হন্না থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

লায়েংজরিবা মফমশিং :-

1. Mayang Imphal Bengoon Leirak Achouba (6.00 am.-9.30 am)
2. Sangai Bazar M/s Gambhir Enterprises Takhellambam Konjil (Hiyangthang) (10.00 am. to 4 pm.)
3. Pallel Bazar, Kakching District.

থাগৎচরিবা : Ch. Ibomcha Meitei
Phumlou Mayang Langjing

HL-P/3860/25

## ইষ্টর এটেক্ট থিজিনবা হৌরগনি

কলম্বো, মে ২৪ (এজেন্সি):

মীওই ২৫০ হেন্না শিহনখিবা এপ্রিল ২১ গী ইষ্টর সন্দেদা চথখিবা টেরর এটেক্টশিং অদুগী মতাংদা থিজিলহন্নবা শ্রিলঙ্কা পার্লিয়ামেন্টকী স্পীকর কারু জয়াসুরিয়ানা স্পেসল পেনেল অমা শেম্লে হায়না ওথোরিটিশিংনা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

দেপ্যুটি স্পীকর অনন্দ কুমারশিরিনা লুচিংগদৌরিবা স্পেসল কম্মিটি অদুদা লেজিসলেটর ৭ না মেম্বরশিং ওইগনি হায়না শিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিনা হায়রি।

স্পীকর জয়াসুরিয়ানা ফোঙদোকখিবদা, কম্মিটি অদুনা টেরর এটেক্টশিং অদুগী মতাংদা ইন্দিপেন্দেন্ট প্রোব অমা পাঙথোক্কনি অমসুং মদুগী ফাইন্দিংশিং পার্লিয়ামেন্টতা রিপোর্ট তৌগনি। এটেক্টশিং অদুগা মরী লৈনবনি হায়না চিংনবা মীওই ৮৯ হৌজিক ওথোরিটিশিংনা ফাজিন্দুনা থম্লিবনি।



# SARASWATI COACHING INSTITUTE

*Chingmeirong Khongnang Karak, Imphal*

ADMISSION OPEN

CLASS XII Sc. FOUNDATION COURSE (2nd Batch) -2019

*Starting of Class : 20th May, 2019*

CLASS XI Sc. FOUNDATION COURSE - 2019

MEDICAL REGULAR COURSE for NEET (UG) - 2019

*Starting of Class : 1st July, 2019*

*Special feature*

1. *Supply of study material from Delhi.*
2. *Weekly test strictly in NEET pattern.*

*Managing Director*

HL-B/5372/5/5-2/6 *We nourish your future*

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES (IMPHAL WEST)**

**ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE**

Imphal, the 24th May, 2019

**No. Prop/SR/IW/2019:** An application for registration of a proposed namely "The People's Upliftment Society" and address "Tarung, Thangmeiband" has submitted to the undersigned and therefore, objection, if any, to the registration of the proposed society/association is invited from any interested persons within 20 (twenty) days from the date of publication of this notice.

Any complian after this period shall not be entertained

*Sd/-* **P. Memi Devi**
Deputy Registrar of Societies,
Imphal West

HL-P/4193/25

ꯊꯥꯒꯠꯄ/ওজা এম ভি নাজিরবু থাগৎচরি



**নিঙ্গাংনা ফম্বা ঙমদবা, অমাংথোংদা চানা মরুমুক চাওবা অমা পোমথোরকপা, অদুগী মতুংদা অমাংথোংগী অকোয়বদু কোবিলৈ শাৎকায়রকপগুম্না পোমথোকপা, খোঙ হান্বা য়াদবা, খোঙ হান্বদা কুইনা চঙবা ফহনবগীদমক ওজা নাজিরবু থাগৎচরি**

ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোং ময়াদা চানা মরুমুক চাওবা অমা পোমথোক্লগা লৈবা, মরক মরক্তা অমাংথোংদা মরেং মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা অদু খোৎলুরগনা অমাংথোংগী অকোয়বদু হঞ্জিনখিবা, অদুগা অমুক হম্থখিবা, মতম খরা লৈরগা অমাংথোংগী অকোয়বদু কোবিলৈ শাৎপগুম্না পোমথোরকপা, অদুগী মতুংদগী নিঙ্গাংনা ফম্বা ঙমদবা, চুম্না ফম্বদসু য়াম্না নাবা, অমাংথোং মনুংদসু য়াম্না চিকপা নাবা, অমাংথোং অকোয়বদগী ঈপুম নাইপুমগুম্বা তারকপা, খোঙ হান্বা মতমদা অমাংবদু মপান্দা থোক্লকউ য়াদবা, খুৎনা লৌথোকপা, খোঙ হান্বা চঙগনি খনবদা হকচাংদা অৱাবা ওইবা খুৎনা লৌথোক্কনি খনবদা, মতম কুইনা খুৎ শীজিন্নবা অদুদা অমাংথোং মনুং অমদি অকোয়বদু শোক্লকপা, খোঙ হান্বা মতম কুইনা চঙবা, মরক মরক্তা খোঙ হান্বা য়াদবা য়াওবা, ঙকশম মরি নাবা, খ্বাঙ নাবা, তাঙ-তাঙ চিকপা নাবা, ফম্বী শোনবা, শিংলি নাওরি শোনবা, ফিডৌ চৎপা, লৈকোই শৌবা, তোন্সিল অমদি সাইনস তৌরম্বা অদু **MV Najir Ahmad Baseimayum, (Layengpham :** Mayang Imphal Konchak Bazar Makha Leirak Macha, Time : 07.00 am to 05.00 pm) Contact No. 9383069356/9402873334 দা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুংগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে।

HL-P/4198/25 *থাগৎচরিবা :* **Kamal,** Andro

ꯊꯥꯒꯠꯄ/অমাংথোংদা চাওনা পোমথোক্লগা লৈবা, খোঙ হান্বদা ঈ য়াওরকপা, অমাংথোং মনুংদা খুবীমুক চাওনা পোল্লগা মপান্দা তারকপা, অদুগা মশানা অমুক হনগৎখিবা, অমাংথোং মনুংদা খুৎনা থিনজিল্লগা য়েংবদা ফুরিগুম্না মতুম অমা পোল্লগা লৈবা ফহনবগীদমক ওজাবু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোংদা চাওনা পোমথোক্লগা লৈবা, খোঙ হান্বদা ঈ য়াওরকপা, অমাংথোং মনুংদা খুবীমুক চাওনা পোল্লগা মপান্দা তারকপা, অদুগা মশানা অমুক হনগৎখিবা, অমাংথোং মনুংদা খুৎনা থিনজিল্লগা য়েংবদা ফুরিগুম্না মতুম অমা পোল্লগা লৈবা, খোঙ অকনবা হাল্লকপা মতমদা অমাংথোং মনুংদা পোল্লগা লৈবা মফম অদুদা থেংবদা য়াম্না নাবা, খোঙ হান্বা য়াদবা, খোঙ হামদবনা মরম ওইদুনা চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, চাকখাও শোকপা, ওনিং-ওনিং তৌরগা লৈবা, পুকচেপ নাবা, খোঙ হান্বদা শংলগা অদুম লৈনিংবা, খোঙ হান্বা লোইরগা অমাংথোংদা চিকপা-শাবা, খ্বাঙ নাবা, ঙকশম মরি নাবা, অহিং তুম্বা য়াদবা তৌরম্বা অদু ওজা MV Azad Phusam ☎ 7628890261/9089738275 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা MV Azad Phusam বু থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :

1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (only Sat open)
3. Yairipok Bazar near traffic point. (Sun & Wed open)

HL-P/4162/25 *থাগৎচরিবা :* **I. Bimol Singh,** Keinou

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, I/W LAMSANG**

**Ref :- Mut. Case No. 400/SDC/IW-L/2019**

Leishangthem Kumari Devi, W/o Sinam Debakishor Singh of Kwasiphai Sinam Leikai ...*Petitioner.*

-Vs-

Late Sinam Debakishor Singh, S/o Ibobi Singh of Kwasiphai Sinam Leikai

...*O.P.*

**ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE**

Dt. 22/5/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার সিনাম দেবকিশ্বর সিংহ, পীং মৃঃ ইবোবী সিংহ, সাং ক্বাসিফাই সিনাম লৈকাইগী মিংদা লৈবা ই:ও: তহশিলগী খুল নং ৪৫-কমেংগী অনৌবা পাট্টা নং ৬৩৪/৭৫৩, দাগ নং ১৪৫৮/১৫৩৬ অমসুং এরিয়ানা ০.২২৫০০ চাওবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector,**
Lamsang

HL-P/4300/25

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-III**

1) Rw. Misc Case No. 60/AS&SO/III dt. 20/5/2019
Maibam Ibomcha Singh, S/o Lila Singh of Wangkhei Ningthem Pukhri Mapal

2) Rw. Misc Case No. 61/AS&SO/III dt. 20/5/2019
(i) Thangjam Amuba Singh @ Somanda Singh, S/o (L) Chandra Singh of Wangkhei Ningthem Pukhri Mapal
(ii) Th. Behari Singh, S/o Chandra Singh of -do-
(iii) Th. Ketuki Devi, W/o (L) Chaoyaima Singh of -do-

**ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE**

Dt. 24-4-2019

খুল নং ২৭ ৱাংখৈ নোংপোক্কী পাট্টা নং ৪৩১/ Angs অরিবা ১২২৫/১৪৩৬ অনৌবা হাল দাগ নং ১৭৪৩/২৪৬৮ এরিয়া .০৪৩৪ একর চাওবা ইঙ্খোল অমসুং পাট্টা নং ৪৩১/ Angs অরিবা ১২২৫/১৪৩৭ অনৌবা ১৭৪৩/২৪৬৯ এরিয়া .০৭৪৩ একর চাওবা ইঙ্খোল অনী অসি ১৯৯৭তা SDO (Porompat) I/E তা মৈ চাকখিবগী মতুংদা office কী Jamabandi Book তা মমিং চাংলমদ্রে। মরম অদুনা applicant শিংনা মমিং চংবীরো হায়দুনা AS&SO/III দা দরখষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা document শিংগা লোয়ননা তাং ০১/০৬/২০১৯ ফাওবগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরগদবনি নৎত্রবদি আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা অপিল কোর্ট অসিনা লৌজরোই।

*Sd/-* **Assistant Survey & settlement officer-III,**
Officer-III, Manipur.

HL-P/4298/25